# লৈবাক্কী অমদি থম্মোয়গী ওইবা নুংশিবা অনিগী লংদাইদাঃ 'পনখৈ'

সুর মৈতৈ

মীওইবা ঐখোয়না হিংলিবসি চানবগীদমক হিংলিব্রা– পোক্লবা মতুং শিবগী মতম ঙাইবদুরা নত্রগা অঙম–অঙম্বা শেং–শেঙ্বা হাত্তোক্লরগা অকনবা শকপদুরা হায়বা অসি নোংজা ফিল্ম প্রদক্সনগী অনিশুবা প্রদক্সন



ওইনা পুথোক্লিবা ''পনখৈ'' হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মপুংওইনা লৌরগা ঙসিগী মীরোলদা ব্রাহং কয়া হংলি। এল নোংজাহন্বনা প্রদ্যুশর ওইদুনা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসিগী ষ্টোরি অমসুং স্ক্রীনপ্লে রাইটরনা মনাওবী এম এম, শৈশক্লিবনা সোরি সেনজম, শৈরেংবনা বিলিয়ান, এডিটর– সন্দিপ অমদি কেমেরাদা এল রাজেসনি ।

মণিপুর ফিল্মগী লৈরিবা মীয়াম্না থোইদোক্না শক খঙলবা দাইরেক্তরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ও গৌতমগী দাইরেক্সন মখাদা পুথোক্লিবা ফিল্ম অসিগী শক্তম লাংলিবা–লাংলিবীশিংদি..... রাহুল (অখৈ) , শুকন্যায় (নোংপোক ঙান্বী / সর্জু), পুনেশ্বরি (অখৈগী মতৈমা), মাঙ্গোলজাও (অখৈগী ময়াম্বা), সঙ্গিতা (কুন্দোলৈ), থোইথোই (কুন্দোলৈগী মামা) অমসুং সর্জুগী মমাগী শক্তমদা সান্তি অমদি এল চাওবনচিংবনি।

নুংশিবা হায়বসি করিনো? নুংশিবগী ব্রাহম্ভোক য়াম্মী। লৈবাক্কী অমদি থম্মোয়গী ওইবা নুংশিবা অনিগী লাংদাইদা মীওইবগী পুন্সিগী খোঙচৎ অসি কদোমদা চৎকদৌরিবগে – নিংতম্বা হায়বসি কনানসু পামদবা নত্তে। কনাগুম্বা খরনা শেল পৈশিন্দুনা থল্লগা অমদি নুঙাইথোকপনা মখোয়–মখোয়গী মনিং তম্বনি হায়না খন্বসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা ফিল্ম অসিদা নিংতম্বা তান্বগী ব্রাহম্ভোক কয়াবু মরিক চুম্না উখোক্লবা হোৎনরি। ফিল্ম অসিগী ওইবা ব্রারি পরিংদা নিংতম্বা হায়বসি খুত্তা খুৎলাই পায়রগা ঐখোয় ঈ মশেল পংখৎতা খৎনবা, পংহাত্তা হাৎনবা হায়বদুনা ফংবা ঙমগদৌরিব্রা ? মীওইবা হায়বা ঐখোয়সে অমগা অমগা নুংশিননা লৈবা ঙমদ্রিবসি করিগীনো,মসিগী হৌরকফম থিদোক্তুনা পুন্না নুংশিননা লৈমিন্ননবা হোৎনবদা নোংমৈ হায়বসি চংদবা য়াদবা মচাক অমরা। নিংতম্বা তান্বদি ঐখোয় মীওইবগী হকনি হায়দুনা তাল্লুগদৌবা মখোয়দা তান্দনা করিগী ঐখোয় মশেল অঙম তান্নরিবনো ? য়ুনিফোর্ম শেৎপা হায়বসি লৈবাক মীয়ামদগীদি শম্বলনি। য়ুনিফোর্ম শেৎলিবশিং মখোয়–মখোয়গী থবক তৌরমদাইদা শকখিবা ব্রাশক নোংমৈগী কলচরনা লৈবাক অসিবু চুমথোক্কে হায়না শকখিবা ব্রাশক্তি য়াওরগ্লোই, অদুগা করিগী মখুৎ চল্লবা মী অমবু অচুম্বা লম্বীদা পুরক্লবা অফবা পাউতাক পীদুনা শেমদোকচনবগী তাঞ্জা পীদবমখৈ কাপ্তুনা হাৎপা হায়বসিবু লৈঙাক্লোনগী কদাই ফাওবা অচুম্বা থবক্লো হায়বা ফিল্মসিদা নুঙগী ব্রাফম কয়া ফুগ্রি।

হায়রিবা ফিল্ম অসিগী শন্লপ্পা ব্রারিদি ... অখৈ ময়াম্বা অমদি মতৈমগা পুকচেল–খোঞ্জেল তিন্ননা লৈমিন্নে। অখৈ ইন্দিয়ান আর্মি অমা ওইদুনা লৈবাক্কী সেবা তৌগে খঞ্জবা,অদুগা সর্জু কৌবী নুপী অমগা নুংশিনজবা মীশক অমনি। সর্জুগী অপোকপা মপা কলমলিষ্ট অমা ওইরকখি। মপা লৌদুনা সর্জুসু লৈবাক্কী ওইবা ব্রারি কয়া ইবা পাম্বা মীশক অমা ওইখি। সর্জু অখৈবুদি থম্মোয়শেংনা নুংশিজবী মীশক অমনি। অদুবু মহাক্কী পান্দমগা অখৈগী পান্দমগা মান্নরক্তবনা মতম লৈবখিবীক্তা মখোয় অনিগী মরক্তা অব্রাৎপা অমা লৈবগুম হেক–হেক থোকই। মরৈবাক নিংজবী সর্জুগী মপানা লৈবাক মীয়াম খংনবা ইখিবা ব্রাহৈ খরদা শকখঙদবা মীওই খরনা হাৎতোকপিখি। পেন্দ্রবা থৌদোক কয়ানা সর্জু মহাক্কী মমিং নোংপোকঙান্বী হায়না মীং ওন্দুনা নিংতম্বা তাল্লিবশিংগী মরক্তা তিনখি। অখৈসু মহাক্না পামজবা লম্বীদা চংখিদুনা মতম খরগী মতুংদা ইন্দিয়ান আর্মি অমা হায়বদু ওইবা ঙ্ম্রকখি। মাগী–মাগী পান্দম তোঙান্না চংনখ্রবসু মখোয় অনিগী থম্মোয়নুংদা লৈনরিবা নুংশিবা হায়বদুমদি লেংদনা লৈনৈ। অদুবু নোংপোকঙান্বীনদি মখোয় অনিগী থাংলিবা খোঙথাং অদুনদি কৈদৌনুংদসু অমত্তা ওইবা হায়বদু ওইথোক্লরোই খন্দুনা অখৈবু কাওরগে হায়না খনখি। অখৈনা মতম খরগী য়ুম থোক্লকপদা নোংপোকঙান্বীবু থিনিংখি।



মখোয়গী লৈফম চাফম থিবা হায়বসি অরাইবদি ওইদবনিনা নিংবা কায়বা হায়বদু ওইখি। নোংমা নুমিদাং অমা নোংমৈ কাপ্নবগী মখোল তাখি। হায়রিবা মখোল অদু নোংপোকঙান্বীগী কাংবুগা পুলিস কমান্দোশিংগী কাংবুগা খুৎ থোক্লবনি। নোংপোকঙান্বী মফমদুদগী নাম্ভোক্তুনা চেল্লকপদা খংহৌদনা অখৈগী ময়ুমদা চেনশিল্লখি। নোংপোকঙান্বীনা মখুত্তা নোংমৈ পায়দুনা তফিং–তফিং তৌরিবা মতৌ অদুদা অখৈগী মতৈমদি পাখৎপনা লোইখি। নোংপোকঙান্বীনা অখৈগী মতৈমনি হায়বা খঙখিদে। করিসু তৌরোই মহাক্কী মতেং পাঙবীয়ু হায়রিঙৈদা অখৈ থোক্লককখি। কৈদৌরগে ইতৈমা হংবদা মমাংদা নোংপোকঙান্বী লৈরম্বদুদা ঙক্না থোকখি। নোংপোকঙান্বীদা মতৈমবু মশক তাকখি। অখৈনা নোংপোকঙান্বীগী মতেং পাঙবা অদুদা মতৈমসু করি অমত্তা হায়বা ঙমখিদ্রে। ঙাইহাক লৈরগা মখোয়গী য়ুমদা পুলিস কমান্দো খরা চংলক্তুনা হংবদা য়ুমসিদি আর্মি অমগী য়ুমনি হায়দুনা নোংপোকঙান্বী কন্বীখি। নুমিৎ অদুমদি লৈকাই অদুদা পুলিসনা কোম্বীং ওপরেসন চথখিবনা নোংপোকঙান্বী অথেংবা ফাওবা লৈবা তাখি। নোংঙান্দৌবা মতম খরা ব্রাৎলিঙৈ অখৈনা নোংপোকঙান্বীবু মফম চাবা জগা অমদা থল্লগে খন্না য়ুম অদুদগী পুথোক্লকখি। মখোয়না চৎখ্রবা মতুংদা পুলিস কমান্দো খরা চংলক্লগা অখৈগী মতৈমদা ব্রাহং পাওহং তৌবদা মখোয়গী চৎফম লম্বী হায়দবা য়াদবদগী হায়খি। অখৈ অমদি নোংপোকঙান্বী মখোয় অনিনা লাকপা লম্বীদু শাংবনা নোংঙালখি। মখা তানা মখোয়গী লৈফম ফাওবা থিল্লগে হায়দুনা গাড়ি থৌরকপদা পুলিস কমান্দোশিংনা তান্নরকখি। মখোয়সু ঙমজবা মখৈ নাম্ভোক্তুনা চেল্লকপদা উপাই লৈতবদগী গাড়ি হুন্দোক্লমদুনা চীংগী লম্বীদা লাকখি। মফম অদু য়ৌরবদি নোংপোকঙান্বী মথন্তা চৎখিবা ঙম্লগনি অমদি মহাক্না মরম ওইরগা অখৈবু অব্রাফমদা তাহন্নিংদদুদা নোংমৈনা নমদুনা ফোর্স শিজন্নরগা মখুৎ পুন্দুনা থম্লম্মী। অদুফাওবা অখৈদি নোংপোকঙান্বীবু থম্মোয়শেংনা নুংশিজখিবনিনা মতুং অদুম ইন্নখি। উপাই লৈতবদগী মখোয় অনি পুন্না চেনমিন্নরকপদা পম্থুংফম য়ৌরমদাইদা কমান্দোনা কাপ্লকপা নোংমৈনা অখৈ পান্দুনা মফম অদুদা শিখি। নোংপোকঙান্বীদি থম্মোয় কায়না মখোয়গী কাঙবুরোইশিংগা পুন্না চৎমিন্নবা তাখি।


ফিল্ম অসিগী ব্রারি পরিং য়াম্না নুঙাই,নোংপোকঙান্বী শারিবা আর্টিষ্ট অসি অনৌবা ওইরবসু মহাক্না লৌরিবা রোল অদু ঙম্নবা হোৎনবদা থব্রায় য়াওনা হোৎনবগী মমি অমদি উবা ফংই। ফজবা ফিল্ম অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা ডাইরেক্তর,প্রদ্যুসর অমদি ফিল্ম অমা পুথোকপদা পুল্লিবা মীওইশিংনা কদাই য়ৌনা হোৎনরমগদগে হায়বদুসু ফিল্ম অসি য়েংবদা খরামখৈদি উবা ফংই।


# L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No | POST | QUALIFICATION | AGE | BRANCH | VACANCY |
| --- | --- | --- | --- | --- | --- |
| 1. | Assistant Legal Advisor | B.A. LLB/M.A LLB | 18-25 | H.Q | 2 |
| 2. | Asst.Manager(Banking) | M.C.A/B.C.A/B.com/M.com | 18-25 | H.Q | 2 |
| 3. | Asst.Manager(Recovery) | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | H.Q | 2 |
| 4. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | 18-25 | H.Q | 1 |
| 5. | Asst. Manager | 10+2 (Computer know) | 18-25 | Thoubal | 3 |
| 6. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Sekmai | 2 |
| 7. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Moirang | 2 |
| 8. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Bishnupur | 2 |
| 9. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | 18-25 | Kakching | 2 |
| 10 | Security | VIII Pass | 18-25 | H.Q. | 3 |
| 11 | Driver | Truck(LOCAL) & CAR | 18-25 | H.Q | 1+1 |
| 12 | Grade-IV | VII Pass | 18-25 | H.Q | 2 |














Printed and Published by Wa ... gh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Ir ... l, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*